# লাই খুরুম্বা চৎলুবা ৪ পুলিসনা তমথিনা ফুরকখ্রে, ১দি লাইকন্নরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল**, মে ১৪ঃ* ষ্টেটস ফোর্স ওইনা লৈরিবা পুলিস পার্সোনেলশিং ষ্ট্রিম লাইন তৌদুনা হেন্না দিসিপ্লিন লৈবা ফোর্স অমা ওইহনগনি হায়না হোম মিনিষ্টর শ্রী গাইখাঙম্না মীয়ামদা থাজবা পীখ্রবসু ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা য়ু ঙাওরগা জিপসি অমদা লাকখিবা পুলিস পার্সোনেল খরনা সেরৌদা লাই খুরুম্বা চৎলুরগা হল্লকপা মীওই মরি তমথিনা ফুরম্বগী মনুংদা অমদি ফিভম শোক্লা ইম্ফাল রাজ পোলিক্লিনিক্তা লায়কন্নখ্রে। শোক্লবা অদুগী মপাদুসু খান্নুবগীদমক নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎকনি হায়না কিহল্লম্লে হায়রি।

ইম্ফালগী রাজ পোলিক্লিনিক্তা ফিভম থিনা শোকপদগী লায়কন্নরিবা নুপামচা অদুগী মমিংনা য়ুম্নাম জেমস (২১) অপোকপা লোকেন্দ্রো কৌই। সুগুনু ৱাপোকপিগী ৱার্দ নম্বর ৯দগীনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা জেমসনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী হেক পোকমিন্নবা মনাওনুপা অমা য়াওনা অতোপ্পা মমান্নবা অমা য়াওনা পুন্না মখোয় মরি শাগৈগী অমদি লৈকাইগী মচল -মচে মরি পুরগা সেরৌদা লাই খুরুম্বা চৎমিন্নখি। মখোয়না সাইকল অমমমদা অনি অনি তোংলগা ময়ুম তম্না হল্লকপগী লম্বীদা ৱাপোকপী মপা য়ৌরকপদা জিপসি এমএন ০১ কে-৬৫৭০ দা তোংদুনা লাকখিবা পুলিস পার্সোনেল মরিনা খোনচোপ শীজিন্নদুনা মখোয়গা চৎমিন্নরিবা মচে-মচলশিং অদুদা লক্লরকখি।

মখোয়না লক্লরমখিবা অদুদা করিসু খুন্নুবা তৌখিদে। জিপসি অদু মখোয়দগী হেনগৎনা থৌখ্রবা মতুং অমুক হন্থরক্লগা ওনশিন্দুনা নচিন থিরক্লিবা করিগীনো হায়না তমথিনা ফুরমখিবনি। থৌদোক্তুবু খান্নুবা নুপী অমসু পুলিস পার্সোনেলশিং অদুনা মশা শোক্লা ইহোক্লমখি।

পুলিস পার্সোনেলশিং অদুনা জেমস অমদি মহাক্কী লাকমিন্নবশিং ফু-চৈবিবা মরক্তুদা জেমসকী অপোকপা মপা লোকেন্দ্রেনা খান্নুবদা মঙোন্দসু ওনশিন্দুনা নপা নচা অনিমক নোংমৈনা কাপথোক্লুরা হায়না ধমকা তৌরমখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা জেমসকী মপা লোকেন্দ্রোনা ফোঙদোরকখিবদা পুলিস পার্সোনেলশিং অদু চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসন দা লৈবা ঙাক্তনি। পার্সোনেলশিং অদু য়ু কা হেন্না ঙাওবনা মখোং ফাওবা নিংথিনা থাংবা ঙমদে হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা মরাল লৈবশিং অদুগী মথক্তা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চংবীয়ু। লোয়ননা আইনগী ওইবা চৈৰাক পীহন্নিংই হায়না ফোঙদোরকখি।